## মীওই ৫০০০ হোংদোকহনখ্রে

মনিলা, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) :
টাইফুন কলমেগী থুংলদ্রিঙৈগী মাঙ ওইননা ফিলিপিন্সকী ওথোরিটিশিংনা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা লমদমদা লৈবা মীওই ৫০০০ শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। টাইফুন অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কগ্যান প্রোভিন্সতা য়ৌরক্লগনি হায়না পান্নরিবনি। লোকেল লোলদা রামোন হায়না মমিং থোনবা টাইফুন অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা কগ্যানগী কলায়ান টাউনগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ১১০ লাপ্পা মফমদা লৈখি হায়রি।

## কলেক্তিভ দিফেন্সতা কিহনবনি

ৱারসো, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) :
নাটো ট্রিটিদা য়াওরিবা কলেক্তিভ দিফেন্স গরেন্তিদা চিংনবা ৱাহংশিং হংবা হায়বসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং মিলিটরি এলাইয়ন্স অসিগী তুংলমচৎতা অকিবা পোকহনবগী থৌওংনি হায়না পোলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর মাটিয়ুজ মোরাৱিকিনা ফোঙদোকখ্রে।

## য়ু এসনা হান্নদগী চৎনরকপা পোলিসি থাদোক্তুনা সেট্টলমেন্টকী মতাংদা ইজরেল শৌগৎখ্রে



ৱাশিংটন, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) :
ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কদা জিৱিস সেট্টলমেন্টশিং শেমগৎ শাগৎপা হায়বসি ইন্টরনেসনল লোগী মায়োক্তনি হায়বা চহী ৪০ শুরক্লবা য়ু এসগী পোলিসি অসিবু থাদোক্তুনা লৈবাক অসিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মফম অদুদা জিৱিস সেট্টলমেন্ট থম্বগী মতাংদা ইজরেলগী রাইট লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইনৌ নৌনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিনা ইজরেলি-পলিষ্টিনিয়ন পিছ প্রোসেসতা হেন্না অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়না থাজনরি। চৈরকসিদা জেনিভাদা লৈবা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস ওফিসনা ইজরেলনা খুদম চল্লিবা পলেষ্টিনিয়ন টেরিটরিদা ইজরেলি সেট্টলমেন্টশিং শেমগৎ শাগৎপা হায়বসি ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অমুক হন্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী ফিরেপ অদুবু য়ানিংদবা উৎখ্রে।

য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা লাউথোকখিবা য়ু এসকী ফিরেপ অসি চহী অসিদা মীখল অনী পাঙথোক্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্কী পৱার পায়বা য়ানবা হোৎনবদা অৱাবা অমা মায়োক্লদুনা লৈরিবা ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেতায়াহুগী ওইনদি মায় পাকপা অমনি অদুগা পলেষ্টিনিয়নশিংগীদি মায়থিবা হায়বদু ওইরি।

পোম্পিওনা লাউথোক্লিবা ৱাফম অসিনা চহী অনী হেন্না পিছ প্লান অমগী খুথাংদা ইজরেলি-পলেষ্টিনিয়ন কনফ্লিক্ট লৈখায় তানবা ট্রম্পনা হোৎনরকখিবশিংদা ইনৌ নৌনা চৈথেং অমা পীরবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়রি।

কুমজা ১৯৭৮ দা মতমদুগী প্রসিদেন্ট জিমি কার্টরগী মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৌখিবা লিগেল পোজিসন অমা মপুং ফানা নাথৈরদুনা পোম্পিওনা ষ্টেট দিপার্টমেন্টতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা ইজরেলি সিভিলিয়ন সেট্টলমেন্টস শেমগৎপা হায়বসি ইন্টরনেসল লোগা চানদবা নত্তে হায়খিবনি।

## অফঘান এয়র ষ্ট্রাইক্তা টালিবান মিলিটেন্ট ১৪ শিরে




কুন্দুজ, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী অৱাং থংবা কুন্দুজ প্রোভিন্সদা অফঘান এয়র ফোর্সনা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা টালিবানগী দিভিজনেল কম্মান্দর অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা গ্রুপ অসিগী মিলিটেন্ট ১৪ শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

এয়র ষ্ট্রাইক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা অফঘান এয়র ফোর্সনা কুন্দুজকী অর্চি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমা ওইরিবা কালুক্তা লৈবা টালিবান মিলিটেন্টশিংগী লোৎফম অমদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবনি হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা প্রোভিন্সিএল পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

শিখিবা মিলিটেন্টশিং অদুগী মনুংদা হমজা হায়নসু খঙনবা গ্রুপ অসিগী লোকেল কম্মান্দরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইজাতুলা অমসুং মহাক্কী ঙমথং অনী য়াওখি। এয়র ষ্ট্রাইক্তা শিরিবা মিলিটেন্টশিং অসি পরিং নাইনা চথরকখিবা এন্টি-গভর্নমেন্ট এক্তিভিটিশিংদা চেন্নবশিংনি। মখোয়না দিষ্ট্রিক্ট ওফিস বিল্ডিং, মিলিটরি কম্পাউন্দ অমসুং অতৈ পব্লিক ফেসিলিটি কয়া মাঙহন তাকহনখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

## ট্রুপ থম্বগী চাদিং পুথোক্লবগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ কোরিয়াগা ৱারী শানবা লেপখ্রে




সিওল, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) :
সাউথ কোরিয়াদা য়ু এস মিলিটরি কন্তিঞ্জেন্ট অমা থম্বগী চাদিংগা মরী লৈননা সাউথ কোরিয়ানা হান্না পুথোক্লবা শেনফমদগী হেনগৎনা পুথোক্লবগী মতাংদা য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা শান্নরকখিবা ৱারী লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লেপখ্রে।

লমদম অদুদা য়ু এস ট্রুপশিং থম্বগী মতাংদা ৱাহং কয়া লাকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীনা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাফমশিংগী মতাংদা য়াশিন্নবা অমা পুরকপা ঙমদবদগী য়ু এসকী মায়কৈদগী ৱারী শানবা অদু লেপখিবনি।

নাকল অনীনা ৱারী শানবদা মরক্তা কায়বগী থৌদোক অসি লৈবাক অনীগী চহী ৬৬ শুরবা এলাইয়ন্সতা উবা ফংলিবা তাংনা থোকপা য়ানদবগী থৌদোক্নি হায়না লৌনরি। নাকল অনীগী মরক্তা অমনা অমবু নোর্থ কোরিয়াবু হঙ্গোইহন্নবগীদমক্তা সাউথ কোরিয়াদা য়ু এস ট্রুপ ২৮,৫০০ থম্বগী চাদিংগী শেনফম পুথোকমিন্নবগী মতাংদা য়ানশন্নবা য়ানবা শেম শারক্তে হায়না মরাল শীন্নখি।

য়ু এসকী মায়কৈদগী হৌদোরক্লিবা ৱাফম অমদি ঐখোয়না চৎলিবা প্রিন্সিপলশিংগী মরক্তা খেৎনবা চাওনা লৈরে হায়বসি অচুম্বনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী নিগোসিএটর জিয়োং ইউন-বোনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি। য়ু এসকী মায়কৈরোম্না ৱারী শানবা লেপখিবদগী হান্না থৌরাং তৌরম্বা মওংদা ৱারী মখা চথবা ঙমখিদ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। দিফেন্স কোষ্ট পুথোকমিন্নবগী মতাংদা ৱারী শানবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ কোরিয়াদা লৈরিবা ট্রুপশিং হন্থহনবা নৎত্রগা ট্রুপশিংদু ৱিথদ্রো তৌবগী ৱাফমদি অমুক্তা পনখিদে হায়নসু সিওল নিগোসিএটর অসিনা ফোঙদোকখি। য়ু এস ট্রুপশিং থমদুনা ঙাকশেনবগীদমক সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী চাদিংগী শেনফম হেন্না পুথোক্কদবনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। কুমজা ১৯৫০-৫৩ গী কোরিয়া ৱার লেপলকখিবসি পিছ ট্রিটি অমগী মহুত্তা ট্রুস অমগী মখাদা ওইবনা হৌজিক কোরিয়া অনী টেক্নিকেলগী মীৎয়েংদা লান শোক্নরি হায়বা য়াই।

## ‘য়ু এসনা তাথিবগী পোলিসি থাদোক্ত্রিফাওবা ৱারী শান্নরোই’

প্যোংয়াং, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়াগী সিনিয়র ওফিসল অমনা য়ু এসকা ৱারী শান্নবগী কন্দিসন অনৌবা খরা থম্লদুনা প্যোংয়াংগা ৱারী শানবগী ফিভম লাক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা ৱাশিংটন্না নোর্থ কোরিয়নশিংবু তাথিবগী পোলিসি থাদোক্কদবনি হায়খ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মতম পুম্বদা দিন্যুক্লারাইজেসন চথবগী ৱাফম পন্দুনা লৈরি। তৌইগুম্বসুং কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়র ইশ্যু লৈবগী মরম অমা ওইরিবা দি পি আর কেগী মায়োক্তা তাথিবগী পোলিসি অমা চৎনবগী মওং অমা মতম শাংনা লৈরক্লিবসি মপুং ফানা হন্দোক্ত্রিফাওবা নাকল অনীগী মরক্তা নিগোসিএসন চথবা য়ারোই হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ষ্টেটনা চল্লাইবা কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা কোরিয়া এসিয়া-পেসিফিক পিছ কম্মিটিগী চ্যেরমেন কিয়োং চোনা নিংথৌকাবা অহিংদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

অহানবদা নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ু এসকী মরক্তা অমগা অমগা থাজবা পোকহন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎনরবা মতমদা দিন্যুক্লিরাইজেসনগী ৱারী শান্নবা ওইথোক্কনি। মসিগা লোয়ননা প্যোংয়াংগী সিক্যুরিটি অমসুং দিভলপমেন্টতা অকিবা পোকহল্লিবা খুদিংমকসু লৈহল্লোইদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।



নিংথৌকাবগী অঙনবদা নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী এদভাইজর কিম কে গুৱাননসু ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা মখোয়দা করিমত্তা কান্নবা পুরক্তবা অসিগুম্বা মখলগী ৱারী শান্নবদা মখা তানা মখোয়না থৱায় য়াওবা লৈত্রে হায়খি।

হৌখিবা ফ্রেবুৱারিদা ভিয়েটনামগী কেপিটেল হানোইদা নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং-উন অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মরক্তা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সম্মিট দিল অমত্তা পুরকপা ঙমদনা লোইশিনখিবদগী ৱাশিংটন অমসুং প্যোংয়াংগী মরক্তা চথবা দিন্যুক্লিরাইজেসনগী নিগোসিএসন লেপ্তুনা লাক্লিবনি।

লুচিংবা অনীনা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৮ গী জুনদা সিঙ্গাপোরদা উনখি। চহী অসিগী হৌখিবা জুনদা ট্রম্পনা খঙহৌদনা নোর্থ কোরিয়াদা কিম জোং-উনগা উনরবা মতুংদা দিন্যুক্লিরাইজেসনগী ৱারী চয়োল অনীগী মনুংদা মখা চথরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

## লেবাননদা প্রোটেষ্টরশিংনা কন্না থিংবদগী পার্লিয়ামেন্টকী সেসন য়ৈথোকখ্রে, বেঙ্কশিং থোং হাংনখ্রে




বৈরুট, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) :
থা অনীগী মনুংদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লেবানিজ পার্লিয়ামেন্টনা অহানবা মীফম পাঙথোক্কবা হোৎনখ্রবসু প্রোটেষ্টরশিংনা লোমেকরশিংবু পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিং য়ৌহন্দবদগী য়ৈথোকখ্রে।

চয়োল অমা থোঙ লোন্নরুরবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইনৌ নৌনা থোঙ হাংখিবা বেঙ্কশিংদা মীয়াম্না ক্যু শাংনা লেপ্পখি। বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ কয়াদা পুলিস ফোর্সশিং মতিক চানা দিপ্লোই তৌখিবগা লোয়ননা লেবানিজ বেঙ্কশিংনা হার্দ করেন্সি ৱিথদ্রো তৌবা অমসুং মপান্দা ট্রান্সফর তৌবগী থবকশিংদা অথিংবা কন্না থমখি।

হৌখিবা ওক্তোবর ১৭ তা মীয়াম্না গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট হৌখিবদগী লেবননদা শেল-থুমগী ক্রাইসিস অমা থোক্তুনা লাক্লিবনি। মীয়ামগী প্রেসরদা খাংবা ঙমদ্রবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর সাদ অল-হরিরিনা ওক্তোবর ২৯দা মফম থাদোকখিবদগী অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্বগী মতাংদা দিল অমা পুরকপা ঙমদবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেলগী ফিভমসু লুনা লৈরিবনি।

মশিং য়াম্লবা প্রোটেষ্টর কাঙবু অমনা ওফিসল নম্বর প্লেটশিং য়াওবা অমসুং থোঙনাওশিং মমহল্লবা কার অনী নমদুনা হলহনখিবগা লোয়ননা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কয়া তাবা ফংখি।

দেমোনষ্ট্রেটরশিংনা হল্লো হল্লো হায়না লাউখিবগা লোয়ননা গাড়িশিং অদু মফম অদুদগী থুনা থৌদোকখি হায়বসি লেবানিজ ব্রোদকাষ্টরশিংনা শন্দোকপা ফুটেজদগী খঙখি। মতুং তারকপদা ওথোরিটিশিংনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম মতম কক্তুনা য়ৈথোক্লে হায়না লাউথোকখি। সেসন অদুগী এজেন্দদা পার্লিয়ামেন্টকী কম্মিটিশিংগী মেম্বরশিং অমুক হন্না খনবা অমসুং ৱাথোক ওইরবা এমনেষ্টি লো অমগী মতাংদা খন্নবগী ৱাফম য়াওখি।

## ‘চাইনানা মীখলদা নুমিৎ খুদিংগী খুৎ থিংজিন্দুনা লৈরি’

টাইপৈ, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) :
চাইনানা টাইৱানগী মীখলদা নুমিৎ খুদিংগী খুৎ থিংজিন্দুনা ইথৎ অসিগী দিমোক্রেসিদা অকায়বা পীনবা হোৎনদুনা লৈরে হায়না টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা এয়রক্রাফট করিয়র গ্রুপ অমা মশানা লৈঙাকচরিবা ইথৎ অসিগী মনাক্তা থৌজিনখিবা মতুংদা ৱেন্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

টাইৱানগী লেজিসলেচরগীসু য়াওনা হৌখিবা ইলেক্সন কেম্প্যেন অদু হৌজিক কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা ইথৎ অসিগা য়ুমথংনরিবা অচৌবা লৈবাক অমা ওইরিবা চাইনানা মদুবু কুপ্না য়েংশিল্লিবনি। মতম কয়াগী মমাংদগী চাইনানা টাইৱানবু শেংলবা চাইনিজ টেরটরিনি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা তঙাইফদ্রবদি ইথৎ অসি ফোর্স শীজিন্নদুনা কন্ত্রোল তৌগনি হায়রিবনি। চাইনানা নোংমাইজিং নুমিত্তা অরুবা মফম অমা ওইরিবা টাইৱান ষ্ট্রেটতা এয়রক্রাফট করিয়র গ্রুপ অমা থাজিনখিবনি।




নুমিৎসিমক্তা সাইনা হান্নগী প্রিমিয়র ৱিলিয়ম লাইবু মহাক্কী রন্নিং মেট ওইরগনি হায়না লাউথোকখি। সাইগী রন্নিং মেট ওইগদৌরিবা লাই অসি প্রো-ইন্দিপেন্দেন্স কমেন্ট কয়া ফোঙদোকপগীদমক্তা বৈজিংনা কন্না শাওরিবা টাইৱানগী লিদর অমনি। টাইৱান ষ্ট্রেটতা করিয়র গ্রুপ অমা থৌজিল্লকখিবগী থৌওং অদুবু টাইৱান্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌওং অদু ভোটরশিংদা কিহন্নবা হোৎনবনি হায়খি।

চাইনানা কিরিবদি সাই অমসুং মহাক্কী দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টিনা টাইৱানবু হৌনবী মতুং ইন্না নীংতমহন্নবগী লম্বীদা শোয়দনা পুরক্লগনি হায়বসিনি। কুমজা ২০১৫ দা বৈজিংনা তোখায় তানবা হোৎনবগী মায়োক্তা লো অমা পুথোক্তুনা কা হেঞ্জিল্লকপগী কেসশিংগী মতাংদা টাইৱানগী মায়োক্তা ফোর্স শীজিন্নবা য়ানবগী থৌরাং লৌখৎখি।

## বোলিভিয়াগী ইন্টরিয়ম গভর্নমেন্টনা অনৌবা মীখল পাঙথোক্লবা খন্নরি



লা পাজ, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) :
বোলিভিয়াগী হান্নগী লুচিংবা ইবো মোরালিসনা প্রসিদেন্টগী ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিদা পোলিটিকেলগী লৈখায় তাদবা ফিভম অমা লাকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ইন্টরিয়ম গভর্নমেন্টনা প্রসিদেন্ট খন্নবগী অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্লবগী ৱাফম খন্নরি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদেকখ্রে।

ইন্টরিয়ম প্রসিদেন্টগী কেবিনেটতা য়াওবা মিনিষ্টর জর্জেস জুষ্টিনিয়ানোনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, গভর্নমেন্টনা সুপ্রিম ইলেক্টরেল কোর্টকী অনৌবা মেম্বরশিং খনবা পান্মী। তৌইগুম্বসুং খোঙথাং অসি লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা মেজোরটি সীটশিং পায়রিবা মুভমেন্ট টুৱার্দস সোসলিজম (মাস) পার্টিনা অথিংবা পীদুনা লৈরি।

লাইবক থিবদি মাসনা অথিংবা পীরিবসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন অমত্তা পুরকপা য়াদনা লৈরি হায়না ফোঙদোক্লদুনা জুষ্টিনিয়ানোনা হায়খি মদুদি, মাস য়াওদনদি লেজিসলেটিভ খোঙথাং অসি লৌখৎপা ওইথোক্তে। ঐখোয়না মীখল য়ারিমখৈ থুনা পাঙথোকপা য়াহনগদবা অতৈ মেকানিজমশিংসু য়েংশিল্লি।

বোলিভিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জোস কুরোগানা হৌদোরকখিবা সোল্যুসন ওইবা য়াগদবা ৱাফম অমদি লেজিসলেসন কাল্লগা সুপ্রিম দিক্রি অমা ইশ্যু তৌবনি। হৌখিবা ওক্তোবর ২০ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা মোরালিসনা অমুক হন্না মায় পাক্তুনা বোলিভিয়াদা মরিশুবা টর্ম অমগসু প্রসিদেন্ট ওইবগী ফিভম লাকখিবদগী লৈবাক অসিদা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংনা মরম ওইদুনা থবক থৌরম পুম্নমক লেপখিবনি। মিলিটরিনা মফম থাদোক্লবা হায়রকপদগী মোরালিসনা মফম থাদোকখিবনি।

## হোং কোং কোর্টনা পীখিবা রুলিং চাইনানা রিজেক্ট তৌখ্রে

বৈজিং, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) :
হৌখিবা জুনদগী হোং কোং সিটিদা লেপ্তুনা চথদুনা লাক্লিবা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংদা মাইখুম উপ্পা থিংলিবা লো অমগী মায়োক্তা হোং কোং হায় কোর্টনা পীখিবা রুলিং অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী লিগেল এফ্যেরস কম্মিসনগী স্পোক্সপর্সন জাং টিৱৈনা ফোঙদোকখিবদা, কোর্ট অদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মতাংদা চাইনিজ মেনলেন্দগী লোমেকর কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোক্লখ্রে। লুরিবদি কোর্টকী ৱারেপ অদু হৌজিকফাওবা মেনলেন্দগী পার্লিয়ামেন্টনা ককপা ঙমদনা লৈরিবা অসিনি হায়না মহাক্না হায়খি।



জাংনা মখা তানা হায়খি মদুদি, শুপ্নগী মেনলেন্দ চাইনাগী পার্মিনেন্ট পার্লিয়ামেন্টরি বোদি অমনা হোং কোংগী লো অমা হোং কোংগী কন্সটিটুসনগা চান্নে নৎত্রগা চান্নদে হায়বগী মতাংদা জজমেন্ট পীবা ঙম্মী। প্রোটেষ্টশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা দেমোনষ্ট্রেটরশিংনা মখোয়গী খোঙজং মনুংদা মাইখুম উপ্পদা অথিংবা থম্নবগীদমক্তা হোং কোং গভর্নমেন্টনা হৌখিবা থাদা ইমর্জেন্সি রেগ্যুলেসন্স ওর্দিনান্স শীজিন্নখিবনি। মদু বৃটিশ কোলোনিএল মতমগীনি অমসুং কুমজা ১৯৬৭ তগী শীজিন্নদনা লৈরকখিবনি।

ইমর্জেন্সি রেগ্যুলেসন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা থমখিবা অথিংবা অদুবু পার্লিয়ামেন্টকী লিগেল কম্মিটিনা কোর্টগী ৱারেপকী ওন্ন-তৈনবদা বেসিক লোগী মতুং ইন্ননি হায়না ক্লেম তৌখি। কোর্টকী ৱারেপ অদুনা হোং কোংগী চীফ এগজিক্যুটিভ কেরি লাম অমসুং মহাক্কী গভর্নমেন্টকী পৱার চাওনা হন্থহল্লগনি হায়রদুনা জাংনা রুলিং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। হোং কোং অমসুং মকাওগী ষ্টেট কাউন্সিল এফ্যেরস ওফিসনা এন্টি-মাস্ক লোনা ইৱাং থিংবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌই হায়খি।